# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ মুকথ্রুবী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি লম্ফেলপাৎ

**হীরম** খরদা মুকথ্রুবী পান্বী অসি মণিপুরীশিংগী ওইনা থোইদোক্লা শকখঙনৈ। মুকথ্রুবী পান্বী অসি ইংলিসতা প্রিকলি জানথোজাইলম (Prickly Zanthoxylum) নৎত্রগা জানথোজাইলম (Zanthoxylum), হিন্দীদা দারমার (Darmar), বেঙ্গোলিদা তোম্বুল (Tombul), নেপালিদা তীম্বুর (Timbur), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *জানথোজাইলম একান্থোপোদিয়ম (Zanthoxylum acanthopodium DC)* হায়না কৌই অমসুং রুতেসি (Rutaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি।

মুকথ্রুবী হায়রিবা পান্বী অসি কোনতক তৌবা তিঙ্খাং য়াম্না পানবা অদুগা চহী অমগী মনুংদা মতম খরা মনা লোয়না কেনগনবা অপীকপা উ পান্বী অমনি। পান্বী অসিগী মনা অসি কম্পাউন্দ মখলনি অমসুং মনা অমদা অপীকপা নায়াৎ জুরা ৬ ফাওবা পাল্লি। মনা অসি শংত্রীক শংদুনা অরঙবা মচু কাখৎলি লোয়ননা লঙখৎপা মরু মচাশিং মফম শীনবা থুঙনা পাল্লি। হায়রিবা মরু মচাশিং অসিবু ট্রান্সলুসেন্ট দোটস (Translucent dots) হায়না কৌই। হায়রিবা দোটশিং অসি থাওগী ওইবা পোৎচাক্লা শাবনি অমসুং পান্বী অসিগী অকনবা মনম (Pungent order) অসি মসিনা ওইহনবনি।

মুকথ্রুবীগী লৈ অসি শঙতক তৌবা মচুদা য়াম্না কুপ্পী অমসুং চবুন ওইনা শাৎলি। পান্বী অসিগী মহৈ অসি মতুম তাই অমসুং মিলিমিটর ৪ দগী ৭ ফাওবা চাওই। ইন্দিয়াদা মুকথ্রুবীগী মখল অসি য়ামদ্রবদা ১১ রোম লৈবগী মনুংদা মরু ওইবা অমদি মীওইবদা থোইদোক্লা কান্নবা মখলশিংদি - জান্থোজাইলম একান্থোপোদিয়ম (Zanthoxylum acanthopodium), জান্থোজাইলম অরমেটম (Z. armatum), জান্থোজাইলম ওক্সিফাইলম (Z. oxyphyllum), জান্থোজাইলম লিমোনেলা (Z. limonella) অমসুং জান্থোজাইলম রেতসা (Z. rhetsa) অসিনি।

মুকথ্রুবী পান্বী অসি ইন্দিয়া, খা থংবা চাইনা, বঙ্গলাদেশ, ভুটান, নেপাল, লাওস, ম্যান্মার, অৱাং থংবা থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়া অমসুং মালেসিয়াগী মফমশিংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। চাইনাগী মনুংদা মুকথ্রুবী পান্বী হৌবা মফমশিংদি সিচুৱান, গুৱাঙশি-গুইজৌ, টিবেট অমসুং য়ুনাননি। ইন্দিয়াগী মনুংদা মুকথ্রুবী হৌবা মফমশিংদি উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম অমসুং অতোপ্পা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বনি। মণিপুরদা মুকথ্রুবী পান্বী অসি সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ২০০০ ফাওবা ৱাংবা মফমশিংদা উমংগী অতোপ্পা পান্বীশিংগা লোয়ননা হৌই। পান্বী অসি য়ুমগী অকোয়বদসু য়াম্না পাম্না থানৈ। মুকথ্রুবী পান্বী অসি চোৎ-চোৎ লাওবা অদুগা উরুম খরা লাংতক তৌবা মফমশিংদা চুশিন্ননা হৌই। মুকথ্রুবীগী শা পূম্নমক মরু ওইনা মহৈ অমসুং মনাদা মনীল থুনা কাগনবা (Volatile) থাউ অমা য়াওই। হায়রিবা থাউ অসি Hydro-distillation গী মতেংনা লৌথোকপা য়াই। পান্বী অসিগী মনাদগী লৌবা থাউ অসিদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি লিনালুল (Linalool) চাদা ১৪.৩, ১,৮-সিনিওল (1,8-cineol) চাদা ৭.৭, ২-অনদিকেনোন (2-undecanone) চাদা ৭.৩, ফরনেসোল (Farnesol) চাদা ৩.৬, বিটা কেরয়োফাইলিন (β-caryophyllene) চাদা ৩ অসিনচিংবনি। মহৈগী থাউদা য়াওবা মরু ওইবা মচংশিং অদুনা ইয়ুকেলিপটোল (Eucalyptol) চাদা ৩৬.৫ অমসুং লিমোনিন (Limonine) চাদা ১৬.৯ নি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি থরোই থোংবা মতমদা মুকথ্রুবীগী মনা অসি থাক্তবা য়াদে। মুকথ্রুবীগী অনৌবা মহৈ অদু মোরোক মেত্তুনা নৎত্রগা কোৎতুনা চানৈ। ঐখোয়গী মুকথ্রুবী পান্বী অসিগা চাইনাদা ফংলিবা সিচুৱান পিপর (Zanthoxylum piperitum) অসিগা থোইদোক্লা মান্নে অদুবু সিচুৱান পিপর অসিনা মহৈ অদু কুপ্পা হেল্লি অমসুং হেন্না শাই (more pungent) । হায়রিবা মুকথ্রুবী মখল অসি মখল মখা কয়াগী শা-ঙা থোংবদা পাক শন্না শীজিন্নৈ অমসুং কৈথেলদসু য়োল্লি। খজিং ঙৌবদসু মহৈগী মকু অদু হাপ্তুনা য়াম্না হাওবা মখেল অমা ওইনা চানৈ।

মণিপুরদদি মুকথ্রুবীগী মনা শুগাইদুনা শেন্বা মলম অদু তৈদুনা মখল মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনৈ। য়ারী-য়াখোঙ চীকপদা মুকথ্রুবীগী মহৈগী মকু অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা থুম খরা হাপ্তুনা থোম্বদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি। মুকথ্রুবীগী মহৈদগী লৌবা থাউ অদু Rheumatism হায়বদি তাঙ চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবদা চাং নাইনা তৈদুনা নোইদুনা লায়েংবা য়াই। মুকথ্রুবী মনা অদু শুগাইরগা খোইহি খরগা পীজবদা লোক থুংবা অমসুং অরুম-লাইহৌ তৌবদা য়াম্না কান্নবগী পাউদম লৈ। অরুনাচলগী খামতী (Khamti) হায়রিবা ট্রাইবেলশিংনা মুকথ্রুবী মনা ঈশিংদা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা দাইবেটিস মেলিটস (Diabetes mellitus) হায়রিবা লায়না অসি লায়েংনৈ। পাউদম খরগী মতুং ইন্না মুকথ্রুবীগী মহৈদগী লৌবা মহী অদু অপোম অতং (Tumour) শিং ফহনবা ঙম্মী। পান্বী অসিগী মনা অসি চাবা তুমদবা, খোঙ হামথবা, চাকখাও চাথৎপা, লোক থুংবা, য়া চীকপা অমসুং হরা-কংখু অমদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবগী লায়নাশিং মফম কয়ামরুমদা লায়েংনৈ। কোক্তা হীকপী লৈরবা অমদি লুপৌ থাংলবদি মুকথ্রুবী মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদুনা শমখোঙদা তৈবা য়াই। খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা তোঙশা কায়বদা মুকথ্রুবীগী মহৈদগী লৌবা থাউ অদু চাং নাইনা তৈদুনা হীগা য়ৈবদা শোয়দনা কান্নবা ফল ফংগনি।



## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা

: বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### উরোক্লা লম্মন খুম্বা

উরোক অমা লৈরম্মী কোশল্যগী কোনুংদা;
লুনা তৌই নিংথৌনা চৎলি পাউ অরাপ্পদা।
নোংমা পাউবু চৎখ্রিঙৈ অঙাংশিংনা কোনুংগী,
মিনুংশিবু য়াওদনা হাৎখি মচা উরোক্কী।
উরোক মপী হল্লক্লে থম্মোয় শোক্লা কপখরে;
মচা হাৎপা অঙাংবু লম্মন খুমগে শীংখরে।
নোংমা লাকখি অঙাংশিং কৈবু য়েংবা শারংদা;
উরোক্তুগা লোয়ননা লেপখি শারং মপান্দা।
তাঞ্জা চারে খন্দুনা মচা হাৎপা অঙাংবু,
মতুংলোমদ'ই ঈল্লকখি শারং মনুং তান্নবু
কৈনা লুশম তাপ্পু-লাক পোকপু থেক্লা চাখরে;
লম্মন খুম্বা ঙম্বদা উরোক মপী পেনখরে।
চৎলগেবু নীংদুনা থাদোক্লম্ল' কোনুংদো,
নিংথৌদবু তমখিদো করি' খুম্বা লম্মন্দো।
অচুম' চৎপা নিংথৌনা ৱারৌখিদে মদুদা;
পূক্লিং-পাংশোয়নদনা লৈয়ু হায়খি উরোক্তা।
মতম লোইরে হায়দুনা বিদায় তন্না লৌখরে;
নোংদোন-অতিয়া মরক্তা হিমালয়দা পাইখরে।

# ইন্দিপেন্দেন্ট হুম্ফু

— সোইবম মঙ্গিজাও —

**ঐখোয়গী** লৈবাক ইন্দিয়া, মালেমগী ওইনা মীশীং য়াম্বদা অনীশুবা লৈবাকনি। মালেমগী য়ানরবা লৈঙাক মখলশিংগী মনুংদা গ্রিক ৱাহৈ Demo means people, Kratos means power দগী লাকপা 'দেমোক্রেসি' লৈঙাক অসিনা খ্বাইদগী পান্বা লৈঙাক মখল ওইরি হায়বা তাই। দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক তোঙান তোঙানবা অখণ্ড অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা 'ৱাহন' পীনরিবসিগী মনুংদা Abraham Lincoln না কুমজা ১৮৬৩ গী নবেম্বর ১৯ দা Gettysburg তা পীখিবা স্পিচতা পনখিবা 'মীয়ামগী মীয়াম্না মীয়ামগীদমক শেন্বা গর্ভর্ণমেন্ট' নি হায়বসিনা খ্বাইনা চানৈ হায়না লৌনরি। ৱেলফ্যের ওফ দ পিপল অসিবু গর্ভর্ণমেন্ট অমগী পান্দম থম্নরিবনি। লায়রবা, লাইরিক হৈতবা হায়বসিনা দেমোক্রেসিগী খোঙচৎতা অচৌবা পল ওইরিবনি। পূম্নমক্লা খঙনবিরি। 'ল' অনীসিনা পীক থন্না লৈরবসু ইন্দিয়া, দেমোক্রেসি চৎলিবা লৈবাক ওইরি। অদুবু ফগৎনবগীদমক কুমজা ১৯৫০ গী জানুৱারী ২৫ দগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া লিংদুনা হোৎনরক্লি। অহানবা ইলেক্সন কম্মিস্নার 'সুকুমার সেন' না ওইখি। ঈ সি আই অসি পার্মিনেন্ট, ইন্দিপেন্দেন্ট অমদি কনষ্টিট্যুসনেল বোদি অমনি। ইলেক্সন খুদিংমক্কী সুপরিন্টেন্দেন্ট, কন্ট্রোল, দাইরেক্সন্স পীরদুনা চৎন-পথাপ কয়া শেমদুনা ফীভম ফগাৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। Voter is the supreme authority. Voter is the bedrock of institutional democracy নি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈবনিনা ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন, ফুল পার্টিসিপেসন ওফ ভোটরস ওইনবা ঈ সি আইনা ৱাখল লৌশিং কয়া থাদরি। করিগুম্বা মসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি Plato গী Mobocracy ওইখিবা য়াই। Democracy is the worst form of Government তাদুনা তোক্কনি।

মরম কয়াসিদগী কনাগুম্বা মীওই অমা চহী ১৮ হেক শুবগা ইলেক্টোরিএল রোলদা মীং পানখৎপা চহী খুদিংগী জানুৱারী ১ দা ক্বালিফায়িং দেট ওইরদুনা Election Photo Identity Card (EPIC) পীরি। Systematic Voters' Education and Electoral Participation (SVEEP) প্রোগ্রামসু এন এস এস, এন সি সি, এন জি ওশিং, এন ৱাই কে এস কয়াগা কোলাবোরেট তৌমিন্নদুনা লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। কুমজা ২০১১ গী জানুৱারী ২৫ দা নেসনল ভোটরস দে (এন ভি দি) হায়দুনা ফঙ্কসন অমা পাঙথোকখি। শ্রীমতি প্রটিভা দেবী পাটিল, প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চীফ গেষ্ট ওইখি। থিমনা Inclusion & Qualitative participation নি। ফঙ্কসন অসি Syquraishi, the former CEC না NVD অসি ফেষ্টিভেল ওফ দেমোক্রেসি কৌই। অহানবসু ওইখি। কুমজা ২০১২ দনা এ পি জে অবদুল কলাম, প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চীফ গেষ্ট ওইখি। থিমনা প্রাউদ টু বি এ ভোটর-রেদি টু ভোট ওইখি। কুমজা ২০১৩ গী জানুৱারী ২৫ দা শ্রী হমিদ অন্সারি, ভি পি ওফ ইন্দিয়ানা চীফ গেষ্ট অদুগা স্পিসিয়েল গেষ্টনা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিশ, ডা. অশ্বিনি কুমারনা ওইখি। থিমদি Inclusion নি। কুমজা ২০১৪ গী জানুৱারী ২৫ দনা শ্রী প্রনব মুখর্জি, প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চীফ গেষ্ট ওইখি। থিমনা Ethical voting ওইখি। কুমজা ২০১৫ গী জানুৱারী ২৫ দা ফোর্মর প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া এ পি জে অবদুল কলামনা চীফ গেষ্ট ওইখি। থিমনা Easy registration and easy correction ওইখি। কুমজা ২০১৬ কী জানুৱারী ২৫ দনা শ্রী প্রনব মুখর্জি, প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চীফ গেষ্ট ওইখি। থিমনা Inclusion & Qualitative participation ওইখি। নুমিৎ অসিদা Dr. Nasim Zaidi, Chief Election Commission of India না "Belief in the Ballot" কৌবা লাইরিক অমা প্রসিদেন্টতা খুদোল তমখি।

কুমজা ২০০৯ দা Information, Education and Communication (IEC) হায়না থবক কয়া পায়খৎলম্মী। মথং মথং Information, Motivation and Facilitation (IMF) পায়খৎলম্বা অসি হৌজিক্তি SVEEP হায়রে। Vivek Kumar Dewangan, CEO Manipur না ওনলাইনদা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াহনখ্রে। মতাং অসিদা ইলেক্টরগা কেন্দিদেটকা লৈনরিবা মরী ৱাখল্লোন নৈনবা থোইনা হেন্না কান্নগনি লৌজৈ।

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৭ তা ইন্দিয়াগী ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদৌরি। ষ্টেট অতৈগীনা অতৈ ওইখ্রগা মণিপুরগী ওইনা খন্ন নৈনবদা পাঙজ-খঙজদ্রবা ঐহাক্কীসু মত থমজরি। মণিপুরগী কেন্দ্র মশীং অমসুং নুপী মীহুৎ মশীং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না পো কাঙজরি। অওনবা অহোংবা অমসুং চাওখৎপগী খোঙজেল কনানসু থিংবা ঙমদে। গ্লোবেলাইজেসনগী লেপ্তুবা শাফু অঙকপগী মশক্লি। ট্রান্স এসিয়ান রোদ মণিপুরদা ফাওগদৌরি। মতম খজিক্তা ঙাইরে ট্রেন থুংলগদবা। নাকল অমরোমদা মালেমগী কাচিন কোয়াদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী ফুরুপ মচা মচাশিংগী ত্রেদিসন, নাৎ, জিনশিংবু থিজিনলোইশিংনা মাঙখি-মুৎখিদনবা শেল কয়া থাদরগা থিজিনবা লেপত্রি। তাঞ্জা অসিদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি ইলেক্সন কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরি। ষ্টেট অমগা অমগগী প্রোব্লেম/ইশ্যু মান্নদে। ষ্টেট মরিগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা খরা খজিক থমজনীংবদি অসিনি। মণিপুর অসি জিওগ্রাফিকেল্লি আইসোলেটেদ হিল ষ্টেট ওইরি। স্কোয়ার কিমি ২২,৩২৭ কী মনুংদা চাদা ১০ ভেল্লিগী শরুকনি। তেন পার্সেন্টকী লমখৈ শরুক অসি ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসন্না ঙাক্লো পীদে, অতৈ লেমহৌরিবা চীংগী শরুক্তি পীরি। য়েলহৌমী ওইরিবা মীওইশিংগী মরক্তসু বৃটিশ লৈঙাক্লা খেন্নবা থল্লম্লি। হিন্দু লাইনীংনসু অচৌবা খাইবুংনবা ওইহল্লকপা পূম্নমক্লা খঙবিরি। মরম কয়া অসিদগী হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা ইশ্যু/প্রোপ্লেম খরা পঞ্জরি।

১) ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী লমখৈ ঙাকপা অমসুং কনবা (২) অফস্পা (৩) কনষ্টিট্যুসনগী সেদ্যুল ৫, ৬, ৭, ১০ গী মরম। (৪) কলচরগী কনসেপ্ট লান্না লৌবা (ওনরেবল গভর্ণর, সামুগনাথনগী ৱাফম লান্দবা ওইবসু য়াই)। (৫) এম এল আর এক্ট ১৯৬০ (৬) রিজার্বেসন পোলিসি (৭) সেন্টর ষ্টেট রিলেসন (৮) য়েলহৌমী কনবা (৯) আই এল পিগী মরম। (১০) এস টি দিগী মরম। (১১) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কেন্দ্র তরেৎকী ভোটরশিংগী হক মাঙলিবা। (১২) মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা অসিবু তুং কোয়না লৈহৌনবা বাইও দাইভরসিটিগী ৱাফম। কনাগুম্বা অখণ্ড অহৈশিংনা ইশ্যু অতৈ নীংশিংবীবা য়াই। হৌখ্রবা ঐখোয়গী পুন্সিগী তাঙ্কক খরদা মীওই খরনা শেল্লম্বা আইন খরদুনা হৌজিক কয়াদা ৱাহল্লবা। খুদম ওইনা কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি ওজাশিংগী থবক তৌবগী মতম চহী হুম্ফুমঙাদা শাংদোকখ্রে। ইনষ্টিট্যুসন অমত্তদা লৈমিন্নরিবা কেরানি, গ্রেদ ফোরনা চহী ৬০ দা লৈহল্লে। লোনজিবিটি ওফ লাইফতা মীওইবা মরক্তা অমর পদবি পীবা, খরনা পীদবা। মী অদুগী ইফিসিএন্সিদা বেজ তৌবসু নত্তবা। মসিবু আইনলা? কেন্দ্র ৭ কী কেন্দিদেচর রাইট মাঙহনবগী পার্লিয়ামেন্ট অমদি এসেমব্লিদা কনানা মুভ তৌখিবা লৈ? বিষ্ণুপ্রিয়া লোনগী ৱাথোক্তা মণিপুরগী এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা তোঙানবা চহীশিংদা ৱারেপ মঙা-তরুক্লক লৌরগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি আসাম লৈঙাক্তা কেস তৌখি, ঙমখিদে। 'মীতৈলোল' হায়গদবদা লৈসু লৈতবা লোন 'মণিপুরী' হায়রুরে। ইন্টিগ্রিটি মাঙনবা ওইহল্লে। লান্না মমিং কৌরুবনা ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজগী থাক্তা চনবা ঙল্লোইদৌরিবনি। (অইবনা কুমজা ১৯৯৮, ২০০৫ গী পাউচে খরদা ইজখ্রে) চিন্দা চীং-তম নুংশিনগদবনি হায়। গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা সনামহী টেম্পল বোর্দ লৈহল্লি। ট্রেদিসনেল কলচরগী ৱাহন্থোক কদাইনো? অসুম্না 'রাজ' ৱিদাউট 'নীতি' ওইরে। মীয়ামগী থবক তৌবা শারদুনা নফসাগী খৎনদুনা লৈখ্রে। শোমদনা চেঙ অদু চারগা শেংদোকফম লেত্রিন শাফম লমদি লৈরোইদৌরি। লৌশিৎতা খাজনা থিবা, ফুদিৎতা মাংজোং চোঙবা থোক্লি। ইরাক্লরিবা মানা 'ইকা' অমফাওবা লামদ্রি। ভোট কানিংবদি মিত্রং-জাদু-মন্ত্রফাওবা তম্নিংলি। অনৌবা শেমগদবা আইন করিনো? এমেন্দ তৌগদবনা করম্বনো? মিৎকুপ অমফাওবা খন্নদে। মসিবু হায়মনবা তারগদরা? ঐখোয় মশেন খৎনরগা অমুবা আইন লৌথোকপা ঙমগদৌরিব্রা? খন্ননিংঙাই ওইদরা?

করপসনগী ৱাহন্থোক মতুং ইন্না করপসন হৌরকপগী মরম ময়ামগী মনুংদা পোলিটিকেল পার্টিগী নুংগী চৎনলোন অসিসু অমনি। মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিগী ফীভম সিনারিও য়াম্না নীংবা কায়নীংঙাইনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা পার্টি অমদা য়াওবদা মীওই ২০/৩০গী মিং চল্লি। চোঙথোকপদসু ২০/৩০ নি। ইলেক্সন লেপ্পদা কারবসু ২০/৩০ নি। কাদ্রবসু ২০/৩০ খক্তনি। অতৈদি নন-পার্টি মেম্বর ঙাক্তনি। মীওই অদুনা পার্টিগী আইদোলোজি, প্রিন্সিপাল ঙাক্তে। পার্টিনসু মীওইদুবু পূনবা ঙম্বসু নত্তে। পি দি এস মখল কয়াগী ফেসিলিটিজ খুদিংমক মাগী মাগী মেম্বরশিংদা পীরি হায়বা পূম্নমক্লা খঙনরি। কৈগী পার্টিদগী শওমগী পার্টিদা, শওমগী পার্টিদগী নোংশাগী পার্টিদা চোঙথোক চোঙশিন তৌদুনা লৈরি। ময়ূম মৈ চাকপদা লৈকায় খুনগী মীয়াম্না কন্নবা চেন্নরি। য়ূম্বদুনা মনিংগী ৱারক্তা হৈবী মেৎলগা চাদুনা লৈথোকই হায়বদুনি। টিকেট মুন্নরিঙৈদা য়েলহৌমী অমদি লমদি কদোমদা! নুংশিরবা ইপা-ইচা, ইচিন-ইনাও কয়া খুলফাওবা অমগা অমগা য়েক্লহল্লি। ভোট লেপলে অকি অখঙনা মাঙ থাই। ক্রাইম কয়া তৌনহল্লি। সোসিএল হারমোনি লৈহন্দে। লৈবাক্কী য়ুনিটি অমদি ইন্টিগ্রিটিদা অকায়বা পীরি। গান্ধীজিগী পান্থৈ ফৎত্রবদি পন্থুং ফত্তে হায়বদু কাউথোক্লি। অসিগুম্বা কয়াসিনা নন পার্টি মেম্বরশিংগী 'পার্টিলেস দেমোক্রেসি' গী লৈঙাক অমা য়াম্না তঙাইফদ্রে। মতম অমদা নেপাল লৈবাক্তা পার্টিলেস দেমোক্রেসি চৎলম্মী। অমুক মল্টি পার্টি সিষ্টেম চৎখিবদগী ঈরাং কয়া থোক্তুনা লৈরি খঙনরি পূম্নমক্লা। তেল্লবা মীওইবগী মপোক্লি ঙমজবা খরদং তুংগী মীরোলগী য়েংলগা থম্মোয় শেংনা তৌরমফম থোক্তবরা? মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা ইশ্যুশিং ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। নৌনা খনবা ইন্দিপেন্দেন্ট হুম্ফুনদি ঙমগনি থাজনরি। আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট জে এফ কেনেদিনা হায়রম্বা "My dear young Americans, ask not what your government can to for you, but ask what you can do for your America." হায়বসি ভোটর ঐখোয়না থম্মোয়দা চেৎনা খনফম থোক্তবরা? ইন্দিপেন্দেন্ট ৬০ খনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌ ওইফম থোক্লি।

পূম্নমক শমজিঞ্জরগা ওনরেবল ঈ সি আইগী মফমদা থমজরিবদি ১) ইনষ্টিট্যুসনগুম্বা অমা লিংলগা ইলেক্সনগী মমাঙদা কেন্দিদেট ওইনীংবা মীওইশিংবু Civic Education, Democracy, Nationalism, Humanism, Peoples' welfare গা মরী লৈনবা মতম মতমগী ইশ্যুশিংগী ওরিয়েন্টেসন ট্রেনিং পীবা। (২) মীহুৎ ওইনা খল্লবা মতুংদসু এৱ্যার্নেস প্রোগ্রাম মখল খরা পীবিবা। (৩) মী অমনা টার্ম অমখক্তমক হায়বদি চহী ৫ খক্তমক পুহনবা নৎত্রগা টার্ম ২ দগী হেন্না পুবা য়াহন্দবা হায়বনচিংবা চৎন-কাঙলোন খরা শেমদোকপীরবদি দেমোক্রেসিগী মগুণ হেনগৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়ান দেমোক্রেসিগী মপাঙ্গল কনগনি হায়বা তাই। লোয়ননা নেসনল ভোটরস দে (এন ভি দি) অসি লাক্লিবা কুমজা ২০১৭ গী জানুৱারী ২৫ দা তারি। ভোটরশিংগী মরক্তা ঈপাউ ফাওদোক্লদুনা মীপুম খুদিং ভোট থাদবা ঙম্নবা অমসুং মখোয়গী ইন্দিপেন্দেন্ট ৬০ খনবা ঙমজনবা ফেব্রুৱারী থাদা ইলেক্সন প্রোসেসসু চথরগা ক্লাইমেটিক কন্দিসনসু ফরবা মার্চ থাদা মণিপুরগী মীখল পাঙথোকপীবনা হেন্না ফগনি খঞ্জৈ।

চীংগী মনুং হঞ্জিনবদা লৈবা মীচম মীয়ামগী চাকথুং খুদিংমক চৎথোক চৎশিন তৌবা, মপান থোকপা খরনা লৌবা, দিভলপমেন্টগী থবক কয়া তৌই-তৌদে, শেম্মী-শেমদে, চহীগী লোকেল এরিয়া ফন্দ লুপা ক্রোর-ক্রোর পীরি। শেম্ফম থোকপা ঙাক্তনি, মীচম মীয়াম ঐখোয়গী শেল ঙাক্তনি, মখোয়গী নত্তে। হেন্না মরু ওইরিবদি মথক্তা পঞ্জখিবা ইশ্যুশিংগী চান্নবা আইন শেম্বা অদুনি। ৱারোইশিন পুরক্লবা মীওইবগী য়াইফনবা খল্লু । খঙবা ঙম্বা কোক, জ্ঞান লৈবা পুকচেল শেংবা মীহুৎ অদুতনি মথৌ তারিবা!

অরোইবদা লাক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১১ শুবা এসেমব্লি মীখল ২০১৭ অসি য়েলহৌমীশিংগী য়াম্না লুবা মরু ওইবা তাঞ্জা অমনি। শোয়বা য়াদবা টর্নিং পোইন্টনি। মণিপুরগী পুৱারীদা পুমহোং হোংবা অমা পুহৌগদবনি। হৌজিক্কী ভোটরশিংগীখক্তা নত্তে। ভোটরশিং ঐখোয়গী তুংগী মীরোল ইচা-ইশুশিংদুগীনি। খল্লক্লবা মীহুৎশিংসু মখোয়গী থৌদাং য়াম্না চাউগদৌরিবনি। হৌমিন-কামিন্নরক্লবা চীংগী-তমগী য়েলহৌমী কনবা হায়বসি কুমজা ২০১৭ কী মীখল অসিনি হায়জবা তাই। অতৈ পান্থৈ লৈতে। হৌজিক ফাওবদা কেন্দিদেট ওইগদবশিংনা মথক্তা পঞ্জখিবা ইশ্যু/প্রোব্লেমশিংগী মরমদা অমত্তা পনখিদ্রি। অদুমওইনমক মীহুৎ ওইবিনীংবা মীরেপশিংনা ইশ্যুশিংগী মরম অমদি মশাগী মেনুফেষ্টোশিং পাউচে, টি ভি অতৈ মিদিয়াদা ফোঙদোকপীবা হৌবিবা য়ারে হায়বা তাই। কেন্দ্র কেন্দ্রগী ভোটরশিংনা মীরেপ ওইগদৌরিবা অদুগী হৌরকঙৈগী নৎত্রগা চহী মঙা তরুক্কী মমাঙগী খন্ন-নৈনরকই হায়বসি লোয়না খঙনবা ঙাক্লি। হেন্না লায়না খঙননবা কেন্দ্র কেন্দ্রগী য়ূমথোং ১০/২০ গী ভোটরশিং পূন্না পূন্না খন্ন-নৈনমিন্নবা চঙলি। অদু ওইবা তারবদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীহুৎ হুম্ফু খনবা, কাহনবদা মতেং অচৌবা ওইগনি। পৈশা পায়বা মীনা পৈশা য়েনগে য়েনসনু, য়েল্লোই তোকসনু। ধর্ম্ম লৈতনা মীচম মীয়ামগী চাকথুং মুনখিবগীনি। ভোটরশিংগী ভোট অরোনবনি। ওপন তৌবা আইনগী ৱাংমদনি। কুমজা ১৮৫৬ তা ওষ্ট্রেলিয়াদা সেক্রেট বেলোট হৌদোকখি। হৌজিক্তি ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৯৯ দগী ঈ ভি এম শীজিন্নরে। অরোনবা ভোটরগী ভোট ঈ ভি এমগী বটমদা খুদোম্বীনা নম্বীদুনা ইন্দিপেন্দেন্ট ৬০ খলহৌরসি। ইন্দিপেন্দেন্ট লৈঙাক শেম্বা য়াদে হায়বা লৈতে, য়াই।

দিল্লি য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী মীখল কুমজা ২০১৫ গী ফেব্রুৱারী ৭ তা পাঙথোকখি। সিট ৭০ গী মনুংদা ৬৭ না এ এ পিনা ফংখি। বি জে পিনা সিট ৩ ফংখি। তশেংনমক আম আদমি পার্টিনা হেন্না ফৈ-ফত্তেগী ৱা নত্তে। দিল্লিদা কোংগ্রেসনা চহী ১৫ লৈঙাক পায়রকই। অদুগা পার্লিয়ামেন্টতনা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিবসি। বি জে পি অমদি কোংগ্রেস পার্টিগী শাফু-চৈথেং দিল্লিগী ভোটরশিংনা ফংলম্লোই হায়বা য়াদে। অদুবু দিল্লিগী ভোটরশিংগী মতিক মগুণ মথৌনানা ইন্দিয়াখক্তদা উৎপা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী মফমদা ইন্দিয়ান দেমোক্রেসিগী ফজবা শক্তম উৎখি। মণিপুরগীসু ভোটরগী মতিং ফুদোকমিন্নরসি। মীনা হৱাগাড়ী মমাঙদা চেনশিল্লু হায়রগা চেনশিনবা মীওইদু ওইরগুমসি। পোলিটিকেল পার্টিগী লাংলৌ-নমথাক থাজগুমসি, লৌরগুমসি। চীং-তম অনীগী হৌমিন্না ৱাজরক্লবা য়েলহৌমী কনমিন্নহৌরসি। ঐখোয়গী লাইবক ঐখোয়না শেমজরসি। ঈ সি আইগী থবক থৌরম অশিন অরাংগী মতেং পাঙবা ওইনা চহী ১৮ শুরবা ভোটরশিং অমত্তা হেক চিৎথহৌদনা ভোট থাদবা থোক্লসি। অচেৎপা ৱাখলগী ফিরেপনা কেন্দ্র ৬০ গী ইন্দিপেন্দেন্ট মীহুৎ ৬০ খল্লসি।

তশেংনমক পাঙজদ্রবা অইবা ঐদি এক্সপার্ট অমদি নৎচদে। মণিপুরগী ফীভম উরু-তারুবদা, খন্থজরুবদা অহিং তূম্বা ফাওবা য়াদে। পান্থৈ অমদি ওইগদ্রা খঞ্জদুনা অনীংবা ফোঙদোকচবখক্তনি। অখণ্ড অহৈ কনাগুম্বনা ইন্দিপেন্দেন্ট ৬০ খনবদা মতেং ওইনবা পান্থৈ ফোঙদোকপীরক্কনি হায়বসু থাজজৈ। মীহুৎ মানা লিদর শাবা, মীনাই ওইবা হৈত্রিবা মানা মপু ওইগে মহায়বা, এম এল এ, মন্ত্রিশিংবু চৈরুবা লোইবা নাইরোই। ব্লেম তৌরুবগী কান্নবা লৈত্রে খল্লি। ভোটর ঐখোয়না ভোট পীরুবদগীনি। আইন শেমগদবা মীওইদা থাদখিদ্রে। পৈশা পায়বা, ঠিকা তৌবা, জে সি বি লৈবদা ভোট পীরুরে। ভোটর ঐখোয়নি মরুদি। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ইন্দিপেন্দেন্ট ৬০ থাগৎলগা মণিপুরগী ভোটরশিংগী মতিক ময়ায় ইন্দিয়াদদা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা ভোটরনা সুপ্রিম অথোরিটিনি হায়বসি খঙহল্লসি।

য়াইফরে। য়াইফমিন্নরসি!

## মরোল থোকপা লাই

